# মেন্স খো-খো টুর্নামেন্ট ২০২৪ হৌদোকখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস):** ফিট ইন্দিয়া কেম্পেন কম্মিটি এন্দ ফিট ক্লব অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেশন এন্দ স্পোর্টস সাইন্স (পি ঈ এস এস) মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা খূৎশম্নরগা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএশন (এম এ কে কে এ)গী টেক্লিকেল সপোর্টকা লোয়ননা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৩০ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চথুগদবা মেন্স খো-খো টুর্নামেন্ট ২০২৪ হৌদোকখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী খো-খো কোর্টতা ঙসি হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৫দগী লাকপা টিম ১১না গ্রুপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা অথোই-অহেন চাংদম্নগনি।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎ অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী কনভিনর ডা. এল সন্তোশনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা মতম খরা শিথরুরবা খো-খো মশান্না অসি অমুক হিঙ্গৎহন্নবগী পান্দমদা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপনি। খো-খো হায়রিবা মশান্না অসি ইন্দিয়াগী ইন্দিজিনিয়স গেম অমনি। মশান্না অসি মণিপুরদসু মতম অমদা য়াম্না পাম্না শান্নরম্মী। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা মশান্না অসি শিথরুরে। খো-খোদা য়াওরিবা স্কিলশিং অসি মশান্না খূদিংমক্তা শীজিন্নবা য়াবা ঙাক্তনি। মশান্না অসি ঙসিদি মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়াম্না পাম্নবা মশান্না অমসু ওইরে। মসিমক্না মরম ওইরগা ইন্দিয়ানা য়ূম্নু ওইরগা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৩দগী হৌরগা মালেমগী লৈবাক ২৬না শরুক য়ারগা খো-খোগী ওইবা ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্লদৌরি। মসিদা ইন্দিয়ানা মায় পাক্লবা পান্দম থল্লি হায়খি।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী ওইনা এ এস কে কে এ সঙ্গাইয়ুম্ফমনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু পাঞ্জল ২৪-১২দা মায়থীবা পীখি। অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট টিম-এনা এল ৱাই পি আই সী লৈমপোকপমবু পাঞ্জল ১২-১১দা মায়থীবা পীখি। অদুগা এ এস কে কে এ অৱাং সেকমাইনা পি ঈ এস এস দি এম সাইন্সপু পাঞ্জল ২৫-২২দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দিন ওফ এগ্রীকলচরেল সাইন্সেস প্রোফেসর গোপাল কুমার নিরৌরা সেত্রি, দিন স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজ প্রোফেসর সোইবম ইমোবা, নোর্থ ইষ্ট খো-খো এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি মোইরাংথেম মোধুসুদোন, পি ঈ এস এস এম য়ুগী হেদ প্রোফেসর থন্বাল অমদি এফ আই সী সী এন্দ এফ আই সীগী মেম্বর ডা. আর কে সুরেশনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# মণিপুরনা সেমীফাইনেলদা কেরলাগা ঙসি থেংনরগনি



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা চথুরক্লিবা ৭৮লক শুবা নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফিগী অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচতা মণিপুরনা কেরলাগা লম্বা তৌনরগনি।

হয়েং সন্তোশ ট্রোফিগী ওইনা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ শান্নগদৌরিবা কেরলা অমসুং মণিপুরগী মরক্তা সন্তোশ ট্রোফিগী ওইনা মেটচ মঙারক মায়োক্নখিবগী মনুংদা কেরলানা অহুম অদুগা মণিপুরনা অনী মায় পাকপা ঙমখ্রে। অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতনা সর্ভিসেস অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মরক্তা লম্বা তৌনগনি।

হয়েং শান্নগদৌরিবা সেমীফাইনেল মেটচশিং অসি মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না পাম্নবা মেটচশিং ওইরি। হন্দক্কী সিজন অসিগী ওইনা কেরলানা মেটচ অমত্তা মায়থীবা নংদনা লাক্লি। অদুবু গ্রুপ বিদা কেরলানা টামিল নাদুগা পোইন্ট শ্যের অমুকখক তৌখি।

অমরোমদা, চথুরিবা কম্পিটিসন অসিগী ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং কেরলাগী মতুংদা খ্বাইদগী ফবা টিম ওইরিবা মণিপুরনা কার্টর ফাইনেলদা দেল্লীবু য়াম্না থাজদবা মওংদা মায়থীবা পীরম্লগা সেমীফাইনেল চঙলকখিবনি। দেল্লী অমসুং মণিপুরগী মরক্তা শান্নখিবা কার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা মেটচ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রবা মতুং ইঞ্জুরি টাইমদা মণিপুরনা দেল্লীবু মায়থীবা পীরমখিবনি।

ফুটবোল মশান্নগী ওইনা মণিপুর লৈবাক অসিগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা ষ্টেট অমা ওইরি। ইন্দিয়ন ফুটবোলদা মণিপুরনা তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংদা শান্নরোয়শিং সপ্লাই তৌদুনা লাক্লি। আই এস এল অমসুং আই লীগ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা শান্নরিবা ক্লবশিংদা মণিপুরগী শান্নরোয় কয়া য়াওরি। মসিনা মরম ওইরগা হয়েং শান্নগদৌরিবা সেমীফাইনেল মেটচশিং অসি য়াম্নমক নুংঙাইবা হায়বদু ওইগদৌরি।

# হর্মনপ্রিট সুর্মা হোক্কী ক্লবকী কেপ্টেন ওইরগনি

**চেন্নাই, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী):** দবল ওলিম্পিক্স ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট হর্মনপ্রিট সিংহনা হোক্কী ইন্দিয়া লীগকী লাক্কদৌরিবা সিজন অসিগী ওইনা সুর্মা হোক্কী ক্লবকী কেপ্টেন ওইরগনি হায়না সুর্মা হোক্কী ক্লবনা ওফিসল ওইনা লাউথোকখ্রে।


এফ আই ঐচ বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি য়রগী টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবা অমদি অর্জুনা এৱার্দী অমসু ওইরিবা হর্মনপ্রিটনা ফোঙদোকখিবদা, ঐচ আই এলগী লাক্কদৌরিবা সিজন অসিদা মহাক্না সুর্মা হোক্কী ক্লবকীদমক অঙন্বা থাক্তা মায় পাক্লনবা হোৎনগনি। মহাকপু ক্লব অসিগী কেপ্টেন ওইনা খল্লকপা অসি য়াম্নমক চাওথোকচনিংঙাই ওই। ঐখোয়গী পান্দমদি সিজন অসিগী ওইনা ৱিন্নরগী ট্রোফি থাঙ্গৎপনি হায়খি।

# কৃষ্ণ চহী অনীগী অথিংবা থমখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস):** সন্দে এফ সীনা শীন্দুনা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোংথোংখোঙদা চথুরিবা ডা. এম মনাওতোন সিংহ অমসুং এম চন্দ্রশখি দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা টিম এম এল ভি এফ এগী শান্নরোয় থোকচোম কৃষ্ণনা শাশিন্নবা সর্টিফিকেট শীজিন্নদুনা শরুক য়ারম্বগীদমক মহাকপু চহী ২গী ওইনা টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওবদা অথিংবা থল্লে হায়না ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী কনভিনর ৱাই কান্তা রোইগী চেরোল অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা কৃষ্ণগী টিম এম এল ভি এফ এসু চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিদগী তাম্হোক্লে হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না কৃষ্ণনা ওর্গনাইজিং কম্মিটিদা থাজিল্লকখিবা মহাক্কী মেট্রিক সর্টিফিকেট অদুদা পোকপগী চহী অসি ১৯৬৯ ওই। অদুবু কুপ্না থিজিল্লুবা মতমদা মহাক্কী অশেংবা পোকপগী চহী অসি ০১-০২-১৯৭১ ওইরমখিবনি হায়রি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1349**

IM Nen Djokic (2238) - Roman T. Simbelov (2196)
RADNICKICHESS IM Dec 2024 Belgrade SRB, 2024.12.07

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 e6 | 3.Nf3 Nf6 | 4.Nc3 Be7 |
| 5.Bg5 h6 | 6.Bh4 dxc4 | 7.e3 O-O | 8.Bxc4 c5 |
| 9.O-O cxd4 | 10.exd4 Nc6 | 11.Re1 Nh5 | 12.Bxe7 Nxe7 |
| 13.Ne5 Nf6 | 14.a3 b6 | 15.Qf3 Re8 | 16.Rad1 Bb7 |
| 17.Qh3 Ned5 | 18.Nxd5 Bxd5 | 19.Qb3 Rc8 | 20.Bxd5 Nxd5 |
| 21.h3 Qg5 | 22.Nf3 Qg6 | 23.g3 Rc2 | 24. … |

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1348 Solution :**

**31. …Rh8+ 32. Kg1**
32.Qh3 Rxh3+ 33.gxh3 cxb4
32.Qh4 Rxh4+
**32. ...Qf1+** The black queen decoys White's king. The black queen deflects White's king away from protecting the square h1. **33. Kxf1**
33.Rxf1 Ne2#
**33. ...Rh1#** Anastasia's mate
**0-1**

# ওপন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস):** ইন্দ্র চেছ একাদেমি কোংপাল চনম লৈকাইনা শীন্দুনা একাদেমি অসিগী হোলদা ঙসি অহানবা ক্ষেত্রিময়ুম ইন্দ্রকুমার মেমোরিএল ৱান দে অন্দর-১৫ ওপন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০২৪ পাঙথোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী লাকখিবা চহী ১৫ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা শান্নরোয় ৪০ রোম্না অথোই-অহেন তান্নখি। চাংদম্নখিবা অদুদা খাগোকপম নাওবোইনা পোইন্ট মঙা মখায় ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা খুমন আইনষ্টাইন মাইবম অমসুং মঙাল এলাংবমনা মথংশিংনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখি।



HL-B/9181/3-29 (alt)



Title : Water Bottle
By : Areinu Maibam
Class : I Roll No. : 49 Sec. : Marigold
School : SL Arena of Learning



Title : CATNAP
By : Sagolsem Brainy Mangang
Class : KG Roll No. : 8 Sec. : A
School : The Beginners Pre-School



Title : Real Madrid
By : Koijam Henthoiba
Class : II Roll No. : 31 Sec : A
School : Active School




Title : Anime Girl
By : Kheeli Laishram
Class: II Roll No. : 60 Sec. : A
School : Sacred Heart School, Yairipok Top Chingtha



Title : Girl
By : Khushi Sagolshem
Class : III Roll No. : 32 Sec. : A
School : Nirmalabas School, Singjamei




Title : BEN 10
By : Korounganba Rajkumar
Class : II Roll No. : 15 Sec : F
School : Pitambara English School



Title : House
By : Loiyumba Leichombam
Class : III Roll No. : 25 Sec. : B
School : Don Bosco High School, Langjing



Title : Anime
By : Nelvis Phijam
Class : V Roll No. : 20 Sec. : Daffodil
School : SL Arena of Learning



Title : Scenery
By : Takhelchangbam Nishila Sharma
Class : K.G. Roll No. : 7 Sec. :
School : Active School, Naoremthong Samusang



Title : Pokemon
By : Punshiba
Class: III Roll No. : 59 Sec. : Tulip
School : SL Arena of Learning




Title : Mahatma Gandhi
By : Rayhan Shaikh
Class : IV Roll No. : 12 Sec. :
School : Shemrock Kids Garden




Title : Radha Krishna
By : Ridhima Thoudam
Class : II Roll No. : 10 Sec. :
School : Scholars Academy



Title : Kakashi
By : Phijam Ronaldo
Class : KG Roll No. : 6 Sec :
School : The Devola Memorial English School



Title : Teddy Bear
By : Roshni Mutum
Class: Nursery Roll No. : 6 Sec. : B
School : Shemrock Prime Primary, Uripok



Title : House & Tree
By : Sagolsem Yaiphaba Mangang
Class : Nursery Roll No. : 11 Sec. :
School : Maichou Khongnangthaba Maheikol



Title : Scenery
By : Yumnam Sashinanda Meetei
Class : KG Roll No. : 88 Sec. :
School : Shilleima English Academy, Wangoi



Title : DEKU
By : Phijam Smith Singh
Class : 2-C Roll No. : Sec. :
School : Kendriya Vidyalaya No. 1, Lamphelpat



Title : Umbrella
By : Thangamba Meinam
Class : Nursery Roll No. : 10 Sec. :
School : Royal Educational Institute



Title : Kali Mai
By : Yaipha Thoi Loitongbam
Class : Nursery Roll No. : Sec. : C
School : Shemrock Prime Primary



Title : Dinosaur
By : M. Yohen Singh
Class : II Roll No. : 21 Sec. : Iris
School : SL Arena of Learning

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com